কাম্মরুনদা ফাখিবা অঙাংশিং থিনবা ওথোরিটিশিংনা গাড়ী চখোক-চৎশিন থিংখ্রে

যাউন্দে (কাম্মরুন), নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): স্কুল তন্নিবা অঙাং ৭৯ ফাখিবা কাম্মরুনগী মফম অমদা লৈবাক অদুগী অৱাং নোংচুপথংবা ওথোরিটিশিংনা ইমর্জেন্সিগী নত্তবা গাড়ীশিং চথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখ্রে।

ফাখিবা অঙাংশিং অদুবু থিবা অমসুং কনবগী ওপরেসনশিং খুদোংচাননবগীদমক বামেন্দাগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা লৈবাকপোকপা নুমীৎতগী অথিংবশিংদু থম্বা হৌখি হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। মহৈরোয় অঙাংশিং অদু মখোয়গী ওজা, প্রিন্সিপাল অমসুং ড্রাইভর অমগা লোয়ননা বামেন্দা সিটিদা লৈবা মখোয়গী বোর্দিং স্কুল প্রেজবিটিরিয়ন সেকেন্দরি স্কুলদগী নোংমাইজিং নুমীৎকী অহিং নোংয়াই য়ৌরমদাইদা ফাখিবনি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা অঙাংশিংদু থিনবা হোৎনবদা আর্মিনা মিলিটরি পুলিস দিপ্লোই তৌখি অমসুং হেলিকোপ্টরশিং শীজিন্নখি। অঙাংশিংদু ফাখিবগী মতাংদা কনামত্তনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌরকখিদে। অদুবু কাম্মরুনগী ইংলিস ঙাঙবা প্রোভিন্সশিংদা তোখায় তানবা লাল শোক্লরিবা ফাইটরশিং চেন্নরম্বা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা চিংনবা ফোঙদোকখি। অদুবু অঙাং ফাবদুদা মখোয় চেন্নদে হায়না গ্রুপ কয়ানা ফোঙদোক্লখি।

অম্বাজোনিয়া দিফেন্স ফোর্সেসকী স্পোক্সমেন তাপাং ইভো তাঙ্কুনা ফেসবুক্তা থাগৎপা ৱারোল অমদা অঙাংশিংদু গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ফাখিবনি হায়না মরাল শিখি। মদু প্রসিদেন্ট পোল বিয়াগী লৈঙাক্লা মালেম পুম্নবু মহাক্কী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা মীৎয়েং চঙহন্দনবা পূক্নিং চোইথোকহন্নবগী টেক্টিকনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি। সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অদুগী মেম্বরশিংদা কিদনেপ্পরশিংদুগী লোৎফম থীদোক্লবা লমদম অদুগী কম্যুনিটিশিংদা থি-হুম্বা চথনবা খঙহনখ্রে হায়না মখা তাখি। তাঙ্কুনা শিরিবা মরালশিং অদুগী মতাংদা কন্মেন্ট লৌনবা হোৎনবদা গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন ফংবা ঙমখিদে।

ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অদুবু চহী ৩৬ চুপ্পা লেপ্তুনা লৈঙাক্লকখিবা বিয়া লৈবাকপোকপা নুমীৎতা তরেৎশুবা টর্ম অমগীদমক্তা ৱাশক লৌখিবনি। লৈবাক অদুগী পার্লিয়ামেন্টদা ৱাশক লৌবদা বিয়ানা লৈবাক অদুগী ঈৱাং কনবা এংলোফোন লমদমদা ঈং-চিকপা ফীভম লৈহন্নবা আপিল তৌখি। অদুম ওইনমক মহাক্লা ৱা ঙাঙবদুদা স্কুল তন্নিবা অঙাংশিং ফাখিবদুগী মতাংদদি পনখিদে হায়না লোকেল মীদিয়ানা ফোঙদোকখি।

এংলোফোনগী প্রোব্লেম অসি ৱেষ্ট অফ্রিকাগী মমাঙঙৈগী লোইলম শন্দোকপগী ৱারীগা মরী লৈনৈ। মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওগী মমাঙদা জর্মনিনা লমদম অদু মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌখি তৌইগুম্বসুং লান্দা মাইথিবা নংবদগী টেরিটোরিশিং অদু মচেৎ তাখি অমসুং ইংলিস গভর্ণমেন্ট অমদি ফ্রেঞ্চ গভর্ণমেন্টদা পীথোকখি। হৌজিক কাম্মরুন হায়না খঙনরিবা লৈবাক অসি কলোনি অনিদুগী অপূনবনি।

আই এস আই এসনা হাৎখিবা মীওই লিশিং কয়াগী অচৌবা মোংফম ২০০ হেন্না লৈরম্লে

ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): হান্না আই এস আই এসনা কন্ট্রোল তৌখিবা মফমশিংদা মখোয়গী ভিক্টিম লিশিং কয়াগী হকচাংগী লেমহৌবা শরুকশিং য়াওবা অচৌবা মোংফম ২০০ হেন্না থেংনরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

য়ু এন এসিষ্টেন্স মিসন ফোর ইরাক (য়ু এন এ এম আই) অমসুং য়ু এন হ্যুমেন রাইটস ওফিস (ও ঐচ সী ঐচ আর) না পুন্না অচৌবা মোংফম (মাস গ্রেভ) ২০২ রেকোর্দ তৌখি। তৌইগুম্বসুং লাক্লিবা থা কয়া অমসুং চহী কয়া অসিদা অহেনবা মোংফমশিংসু থেংনবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈরি।

অশিবা হকচাং ১২,০০০ ফাওবা য়াওরম্বা য়াবা মোংফমশিং অদু নোংচুপথংবা ইরাক্কী নীনেভেহ, কির্কুক, সলাহ অল-দিন অমসুং অনবর প্রোভিন্সশিংদা থেংনখি। খ্বাইদগী পীকপা মোংফম অদু নোংচুপ থংবা মোসুলদা থেংনখি অমসুং মদুদা অশিবা হকচাং ৮ য়াওরমখি। খ্বাইদগী চাউবা মোংফম অদুনা মোসুলগী খাদা লৈবা খাসফা সিঙ্কহোলনা ওইরমখি। সিঙ্গাহোল অদুদা অশিবা হকচাং ৪০০০ য়াওরমগনি হায়না থাজনরি।

আই এস আই এল হায়নসু খঙনবা আই এস আই এসনা কুমজা ২০১৪ গী জুন অমসুং কুমজা ২০১৭ গী দিসেম্বরগী মরক্তা ইরাক্কী পাক চাউরবা মফম কয়া খুদুম চনশিনখি অমসুং মফমশিং অদুবু গ্রুপ অদুগী মেম্বরশিংনা কলিফেটনি হায়না লাউথোকখি। গ্রুপ অদুনা মালেমগী হ্যুমেন রাইটস অমসুং হ্যুমেনিটেরিয়ন লো খোঙ্গাওনবা, হাৎপা তুপ্পা অমসুং মাঙহন-তাকহনবগী কেম্প্যেন অমা পাক শন্না চথখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, মোংফমশিং অদুদা য়াওরম্লিবা মরুওইবা ফোরেনসিক মচাকশিংনা ভিক্টিমশিংবু মশক খঙহনবদা মতেং পাংবদা নত্তনা মখোয়দা করি করম্বা ওৎ-নৈবগী থৌওংশিং চথখিবগে অমদি থৌওংশিং অদু ৱার ক্রাইমশিং, মীওইবগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিং নৎত্রগা পাত্তক্লনা মী হাৎপা (জিনোসাইদ)কা মান্নব্রা হায়বদুসু খঙবদা মতেং পাংগনি।

য়ু এন এ এম আই অমসুং ও ঐচ সী ঐচ আরনা হায়, আই এস আই এসকী ভিক্টিমশিং অদুদা নুপী, অঙাং, অহল ওইরবা মীওইশিং লোয়ননা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিং, ইরাক্কী আর্মদ ফোর্সেস, পুলিসকী মীওইশিং অমসুং মপানগী ৱার্কর খরা য়াওখি। য়ু এন এ এম আইদা হ্যুমেন রাইটসকী দিরেক্টর ওইরিবা সুকি নাগ্রানা হায়, লৈবাক তৌথোক্লিবা মফমশিং অমসুং লৈনুংদগী লৌথোক্লিবা হকচাংগী শরুকশিং অদু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থমগদবনি। অচৌবা মোংফমশিং অদু ক্রাইম সিনশিং ওইনা থমগদবনি অমদি মখোয়দগী ফংলিবা ইভিদেন্স খুদিংমক তুংদা ইন্টরনেসনল ষ্টেন্দর্দসকা চান্নবা ক্রিমিনেল প্রোসিক্যুসনশিং চথবদা শীজিন্নগদবনি।

নর্ভ গ্যাস এজেন্ট শীজিন্নখিবগীদমক রসিয়াগী মথক্তা য়ু এসনা অহেনবা অথিংবশিং থম্নবা খন্নরি

ৱাশিংতন, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): মোস্কোনা কেমিকেল খুৎলাইশিং শীজিন্নরোই হায়না মতিক চানা থাজবা পীবা ঙমদবদগী য়ু এসনা রসিয়াগী মায়োক্তা অহেনবা অথিংবশিং থম্নবগী থৌরাংশিং লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা ওগষ্টতা য়ু এসনা মোস্কোদা কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নবা থিংবা লো অমা ঙাক্লবা নুমীৎ ৯০ নিগী মতম পীখি অমসুং মতমদু লৈবাকপোকপা নুমীৎ লোইখ্রে। হৌজিক দোনাল্ড ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না অহেনবা অথিংবশিংদুগী মতাংদা কোংগ্রেসকা ৱা তান্নরি হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকখি।

হান্নগী দবল এজেন্ট সর্গি স্ক্রিপাল অমসুং মহাক্কী মচানুপী য়ুলিয়াবু ইংলেন্দদা পোইজন তৌনবা হোৎনবদা রসিয়ানা নর্ভ গ্যাস এজেন্ট অমা শীজিন্নখি হায়না মরাল শিরদুনা য়ু এসনা অথিংবদু থম্নবা কিহনখিবনি।

অমরোমদা, মোস্কোনা অদুগুম্বা এটেক চথুখিবগী ৱাফম রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা হঞ্জিন হঞ্জিন য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। হৌখিবা ওগষ্টতা য়ু এসনা রসিয়াদা স্পাই অদুবু পোইজন তৌবদা শীজিন্নখি হায়রিবা নর্ভ এজেন্ট নোভিচোক শীজিন্নবা লেপ্পবা, মশাগী মীওইশিংদা কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নরোই হায়বগী থাজবা পীনবা অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সপু রসিয়াদা ইন্সেপেক্সন তৌবা য়াহন্নবা তকশিনখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সমেন হিদর নৌৱর্টনা হায়খিবদা, দিপার্টমেন্ট অসিনা কোংগ্রেসতা রসিয়ন ফেদরেসন্না কন্দিসনশিংদু থুংহনখি হায়না সার্টিফাই তৌবা ঙমখিদ্রে। ঐখোয়না অহেনবা অথিংবশিং থম্নবা দিরেক্সন পীরিবা কেমিকেল অমসুং বাইওলোজিকেল খুৎলায়শিং অমসুং ৱারফ্যের মুথৎপগী এক্টকী মতুংইন্না চথুবা পাম্মী। ঙরাং ত্রম্পনা মথং চয়োলদা পুটিনগা উনবগী মতাংদা চিংনবা উৎখি। মহাক আর্মি সার্ভিসদেগী ১০০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা ফ্রেঞ্চ কেপিটেলদা পাইগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা মার্চকী তারিখ ৪ দা হান্নগী রসিয়ন স্পাই সর্গি স্ক্রিপাল অমসুং মহাক্কী মচানুপী ইংলেন্দগী সেলিসবেরিদা লৈবা সোপ্পিং সেন্টর অমগী মমাঙগী পার্কতা থাবা বেঞ্চ অমদা ৱাখল তাদনা লৈরম্বা থেংনখি। মখোয়নি নর্ভ এজেন্ট অমা শীজিন্নদুনা পংথহনবা ওইরমখি অমসুং এটেক অদু রসিয়াগী খুৎনি হায়না য়ুনাইটেদ কিংদমনা মরাল শিখি। মপামচা অনী চয়োল কয়ামুক লায়েং চথুরবা মতুংদা ফগৎলকখিবনি।

থৌদোক অদুনা মালেমগী ওইবা মরুওইবা দিপ্লোমেটিক ৱাথোক অমা থোকহনখি। য়ু কে অমসুং মসিগী মীচঙশিং ওইরিবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং নোর্থ এটলান্টিক ত্রিটি ওর্গনাইজেসন্না মখোয় মখোয়গী লমশিংদগী রসিয়ন দিপ্লোমেট ১০০ হেন্না তাম্বোকখি। মদুগী লমন খুম্বা ওইনা মোস্কোনসু নোংচুপলোমগী দিপ্লোমেট কয়া তাম্বোকখি। হৌখিবা জুলাইদসু সাউথ ৱেষ্ট ইংলেন্দগী এমেসবেরি টাউন্দা নুপী অমসু মান্নবা নর্ভ এজেন্টতা এক্সপোজ তৌবদগী শিখি। এমেসবেরি টাউন অসি মথক্তা পল্লিবা সেলিবেরিদগী কিলোমিটর ১৩ তমক লাপ্পা লৈ।

ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট মেক্রোনদা এটেক তৌনবা থৌরাংলম্বা মীওই ৬ ফারে

পেরিস, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোনদা এটেক তৌনবা লৌতুনরম্বনি হায়না চিংনবা ফার রাইটকী কা হেনবা চৎপা নুপা মঙা অমসুং নুপী অমা ফ্রেঞ্চ পুলিসনা ফারে হায়না ঙরাং থীজিন-হূমজিনবা কাঙবুগা নকশিন্নবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্স অদুনা ফোঙদোকখিবদা, প্রসিদেন্ট মেক্রোনদা এটেক তৌনবা মওং তাদনা থৌরাংলম্বগী ইন্টেল্লিজেন্স রিপোর্ট অমা ফংবদগী ফ্রান্সকী দোমেষ্টিক স্পাই এজেন্সী (দি জি এস আই) না তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা রেইদ চথনবা ওর্দর তৌখি। মীওই ৬ অদু ফ্রান্সকী রেদিকেল ফার রাইটকী মেম্বরশিংনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি। জর্মনি অমসুং লক্সেমবগকী বোর্দরদা মোসলিগী মনুং চন্না লিয়োনগী খা নোংপোক থংবা ইসেটর রিজন অমসুং লৈবাক অদুগী অৱাং নোংচুপ থংবা রেন্নেস সিটিগী মনাক নক্লা ইলে-এট-ভিলাইনদা লৈবা মখোয়গী এড্রেসশিংদা রেইদ চথুখি অমসুং মখোয়বু দিটেন তৌখি। ফাগৎখিবা মীওইশিং অদু অমগা অমগা করম্না মরী লৈনখিবগে হায়বদুদি খুদক্তা শেংনা খঙবা ঙমখিদে। নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙখিবা ইন্টর্ভিয়ু অমদা মেক্রোননা য়ুরোপ পুম্বদা ফার-রাইট ঈহৌশিংগী মায়কৈদগী অকিবা পোকহল্লকপগা মরী লৈননা চেকশিনৱা পীখি। “থৌশাহৌদবদগী কুমজা ১৯৩০ গী চহী পরিংদা জর্মনিদা হিটলরগী মঙক হাইগৎলকখি অমসুং ইটালিদনা মুসোলিনিগী মঙক হাইগৎলকখি।”

হৌখিবা জুন ১০ দা ফ্রান্সকী রেদিকেল ফার রাইটকা মরী লৈনবা মীওই ১০ গী মথক্তা টেররিষ্ট নেটৱার্কশিংগা মরী লৈনবগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা ইনভেষ্টিগেসন চথুখি। ইনভেষ্টিগেসন অদুগা নকশিন্নবা ছোর্স অমনা হায়, মীওই ১০ অদু ইস্লাম লাইনিং থেংনবগী পান্দম লৈবা অমসুং মুস্লিমশিংদা এটেক তৌনবা থৌরাং তৌরি হায়বগী চিংনবা লৈবা হার্দলাইন গ্রুপ অমগী মেম্বরশিংনি।

‘ইরানবু নাইতোম তাহনবা খুদোংথিনিংঙাইনি’

অঙ্করা, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): য়ু এসনা ইরানগী থাউ অমসুং সিপ্পিং ইন্দষ্ট্রিজদা নৌহৌননা অমুক অথিংবা থম্বগী খোঙথাংবু ঙসি টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানবু নাইতোম তাহনবা হায়বসি খুদোংথিনিংঙাই ওই অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু চৈরাক ফংহনবা হায়বসি ফজদবা থৌওংনি হায়নসু টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি হায়না অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সীগী পাউনা হায়রি।

ৱাশিংতননা কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী মতিক ময়াই লৈবা লৈবাকশিং অমসুং ইরানগী মরক্তা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা পুরকখিবা দিল অমা থাদোক্লুনা গল্ফকী লৈবাক অদুগী মথক্তা অথিংবা কয়া নৌনা অমুক থমজিনখিবগা লোয়ননা টর্কি য়াওনা অচৌবা কষ্টমর কয়াবু ইস্লামিক রিপব্লিক অদুদগী মতম খরগী ওইনা মখা তানা শুংদোক্লিবা থাউ লৈবা য়াহনখিবা মতুং নোংমা কান্নরগা টর্কিশ ফোরেন মিনিষ্টর মেভলুত কাভুসোগলুনা জপান্দা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখি।

অথিংবা থম্বনা রিজল্ট অমত্তা থোকহনবা ঙম্লোই। অথিংবা থম্ববুদি ৱাহন্থোক লৈনা ৱারী শানবনা হেন্না মহৈ য়ান্নিঙাই ওই হায়না মহাক্লা টোকিয়োদা পাউমীশিংদা হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী ৱারেপ অদুগী পান্দমদি থাউগী মপান তাঙবা ইরানগী ইকনমিদা চৈথেং পীবা অমসুং ইরানবু নমদুনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় অমসুং বেলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামগী ৱাখল থাদোকহনবদা নত্তনা সিরিয়া, য়েমেন, লেবানন অমসুং মিদল ইষ্টকী অতৈ মফমশিংদা লালহৌবা প্রোক্সিশিংবু শৌগৎপা লেপহনবনি।

মালেমনা ইরানদগী থাউ লৈবা মমৈথংদা পুমথিং থিংগনি হায়নসু ৱাশিংতননা ফোঙদোকখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কী ওইনদি লৈবাক নিপান- চাইনা, ইন্দিয়া, সাউথ কোরিয়া, জপান, ইটালি, গ্রীস, টাইৱান অমসুং টর্কিনা পেনাল্টি য়াওদনা মখা তানা ইরানদগী থাউ লৈবা য়াহনগনি হায়খি।

টর্কিনা লৈবাক অসিগী থাউগী তঙাইফদবশিংগী অয়াম্বা মপানদগী লৈ অমসুং য়ুম্লোন্নবা লৈবাক ইরাননা নক্লবগী য়েংদুনা, ক্বালিটিগী অমসুং মমলগী য়েংলগা টর্কিগী মরুওইবা থাউ লৌফম ওইরি। অসিগুম্বা মরম্নাই লৌবা ৱারেপ অমনা থল্লিবা অথিংবশিংনা য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংদা নত্তনা মালেমগী লমদম কয়া চৈথেং ফংহল্লি হায়না কাভুসোগলনা মখা তাখি।

ইন্টর্ভিয়ু অমদা ইর্দোগনগী স্পোক্সমেন ইব্রাহিম কলিননা থা তরুক্কী মতম কোমথোকপগী ৱাফম পনখি অমসুং টর্কিনা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লাকপা খোঙথাংশিং ইগজেম্প্সন অদু লোইখ্রবা মতুংদা ৱারী শানবদা কুপ্পা খন্নগনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখোয়গী অপাম্বা মতুংইন্না থল্লিংবা মওংদা লৈবাক অমদা নৎত্রগা লৈবাক খরদা অথিংবা থল্লে হায়দুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং থাদোক্কদবা নত্তে। ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু ঐখোয়গী ফিরেপতা মন্তিক্লরোই হায়না কলিননা মখা তাখি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref:- Mut. Case No. 1099 /SDC/NBL of 2018

1. Oinam Nipamacha Singh S/o O. Angahal Singh of Lourembam Maning Leikai.
2. –do– (O) Indira Devi W/o Nipamacha Singh of –do–.
3. –do– Sanathoi Devi W/o –do– of –do–.

...... Petitioners

-Vrs-

(L) Thiyam Gokul Singh S/o (L) Rama Singh of Thiyam.

...... Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Dt. 7/11/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১১-লৌরেম্বম পাট্টা নং ১০৮ (অরিবা) ১০১ (অনৌবা) দাগ নং ৫৬ এরিয়া ০.৪৪ একর ওফ ফৌরেল ক্লাস হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারি নং (১) (২) (৩) মখোয়গী মীংশিংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Dhiren Singh**
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/2386/8

[illegible]

URGENTLY REQUIRE

Regd. No. IW (UP/0915(CE) of 2017, Govt. of Manipur

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1.	Primary Teacher Training Course(Urgent Required) 100% Job Placement After Completion The Training			
2.	Urgent Imphal Post Vacancy – First Come First Chance			
	i. Sweeper (Man & Women for Hospital)	20	VIII/X/XII	5,000-15,000
	ii. Banking Sitting Staff (North East & Imphal)	10	XII/G	15,000-40,000
	iii. Account Opening Below 25 Years	15	G/M	15,000-30,000
	iv. Micro Finance Staff CRO/RO	20	G/M	15,000-30,000
	v. Micro Finance Staff PO/Loan Officer/BDO	15	X/XII/G	15,000-30,000
	vi. Office Front Reception/Attendant	10	X/XII/G	4,000-15,000
	vii. Company Driver (Light Vehicle)	10	VIII/X/XII	5,000-10,000
	viii. VIP Driver (Light Vehicle)	10	VIII/X/XII	5,000-10,000
	ix. Man Guard/Ladies Guard	20	VIII/X/XII	5,500-10,000
	x. Home Delivery Staff/Sales Executive	30	VIII/X/XII	5,000-10,000
	xi. Writing Copy at Home (Housewife/Student)	20	VIII/X/XII	Rs. 350 per copy
3.	All India Post Vacancy Of Airlines & Airport at Bangalore(Semi Govt. Job) for - 100% Guide and Success			
	i. Cargo Loader/ Helper	10	X/XII	15,000-40,000
	ii. Guest Service Agent(GSA)	20	X/XII	18,000-60,000
	iii. Ground Staff/CSA (Direct Air Asia)	10	G	15,000-70,000
	iv. Cabin Crew	20	XII/G	15,000-70,000
	v. Porters Staff/Hatty Coffee	20	G	30,000-80,000
	vi. VIP Launch	10	XII	10,000-30,000
	vii. Direct Indigo Airport Driver/Pushack Operator (Heavy/Light)	10 20	XII/G X/XII	15,000-70,000 15,000-70,000
	viii. Airport Security /ATC	15	X/XII	16,000-50,000
3.	No Donation & No Deposit Work at Imphal – First Come First Chance			
	i. Area Counselling Manager	20	X/XII	8,000-20,000
	ii. Warden/Helper/Mali	10	VIII/X/XII	5,000-10,000
	iii. Sale Man/Car Wash	15	VIII/X/XII	6,000-15,000
	iv. Computer Operator	5	X/XII	5,000-10,000
	v. Marketing Manager/Data Entry	10	X/XII	6,000-15,000
4.	Shipping Staff Cruise Line (Man/Female)	20	X/XII/G	40,000-90,000

Last Date of Submission : 24-11-2018
Date of Interview : 26-11-2018
Office Hour 10:00 am to 03.30 pm

Pliz Contact:
Kanglei Guidance Centre
Uripok Over Bridge Makhong Near Cosmo Dental Clinic
☎ : 8575764834 / 8794951292 / 9077766104

HL-P/5612/30/10-17/11(Alt)&19-24Nov.

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, খোঙ হাম্বদা শংলগা অদুম লৈনিংবা, খজিক খজিক্তং তোয়না তোয়না হাম্বা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, খোঙ হাম্বদা শঙলগা অদুম লৈনিংবা, খজিক খজিক্তং তোয়না তোয়না হাম্বা, খোঙ শেংনা হামদোক্তবনা মরম ওইদুনা চানিং থকনিংবা পোক্তবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা য়ারোমদা অশিনবগা লোয়ননা খেগৎলকপা, শা-ঙা, থাও, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কাবা হেনবা অমদি খোঙ হাম্বা য়াদবা, অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলকপা, অমাঙথোংদা পোমথোরকপা, অমাঙথোংদা শাবা, দোক্তরদা চৎলগা য়েংবদা দোক্তরনা ওপরেসন তৌদবা য়ারোই হায়দুনা তৌরুরবা মতুংদা চহী অনিমুক লৈরগা অমুক হন্না হৌরকপা, হান্নদগী হেন্নাখোঙ হাম্বসু য়াদবা, তাং-তাং চিকপা, খ্বাঙ, য়াংলেন নাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা, অহিং তুম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিগী কাওঙল্লরোই হায়না হন্না হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar near traffic point.

থাগৎচরিবা : **CH. MANISANA**
Pangei

HL-P/2370/8



TREATED SUCCESSFULLY

[illegible] মায় পাক্লা লায়েংজরি [illegible]

PH. ALAM

PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নান্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

ASTHMA AND COUGH: শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌ মনুংদা কঙশিল্লগা লোক খুবা, থবাক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর মপুংফানা হোনবা ঙমদবা অসিনচিংবা।

SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

LIVER, JAUNDICE, SUGAR : লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম্ন চিংবা লায়েংজরি।

BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG
2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN

MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220

HL-P/5518/13/10-12/11(Alt.

(NOTICE UNDER ORDER-V RULE 20, C.P.C)

IN COURT OF THE CIVIL JUDGE, SENIOR DIVISION, CHURACHANDPUR, MANIPUR

(UNDER ORDER XXXVII OF THE CODE OF CIVIL PROCEDURE, 1908)

Original (Money) Suit No. 32 of 2018.

The State Bank of India, Loktak HEPA Branch.

... Plaintiff.

Versus

Shri Nongmaithem Shaiyonba Singh and another.

... Defendants.

To,
Shri Nongmaithem Shaiyonba Singh, aged about 37 years, son of N. Kumar Singh, by profession fisherman, resident of Kumbi Kangjeibung Mapal, P.O. Moirang & P.S. Kumbi, Bishnupur District.

WHEREAS, the above named Plaintiff Bank has instituted a suit against you for recovery of money and whereas you are not available in your address and it appears to the satisfaction of the Court that summons cannot be served in the ordinary way. You are hereby summoned to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all such questions within ten days from the service hereof to answer the claim and written statement if any.

Take notice that in default of your appearance on the aforementioned time the suit will be heard and determined and the court shall pronounce Judgment against you and a decree shall be drawn up in your absence.

Given under my hand and seal of the Court this 5th day of November, 2018

SEAL :

By:- Samom Ibjen
Advocate

Letkho Kipgen
Civil Judge, Senior Division,
Churachandpur, Manipur

HL-P/2385/7&8

[illegible] **CGIE's**

SPECIAL COACHING
RIMC DEHRADUN - CLASS VIII
SAINIK SCHOOL - CLASS VI & IX
NAVODAYA - CLASS VI & IX
SSC, AIRMAN, NAVY, NDA & ARMY RECRUITMENT EXAMS

CGIE *না পুথোকখিবা ছাত্রশিংগী মনুংদা :*

1. Y. Romen Singh (RIMC, 1999 August, President Gold Medal 2008 NDA)
2. Roshikanta Singh (RIMC 2000 Feb. NDA)
3. Roniel Singh (RIMC)
4. Romen Singh (RIMC)
5. Ronal Singh (RIMC)
6. Raju Singh (RIMC)
7. R.K. Sarat Singh, Major
8. I. Jackson Singh, Navy, Marine Engineering
9. Ramejudding (AIR MAN TECHNICAL, 2007)
10. Noor Huda (AIR MAN)
11. Sabir Ahamad (AIR MAN)
12. Samson Singh (NDA 2007)
13. Ch. Deniel Singh (RIMC 2007 NDA)
14. Momocha Singh (RIMC 2008)
15. Momocha Singh (RIMC 2008)
16. Lulu Singh (RIMC 2010), NDA
17. Md. Sorab (RIMC 2011)

1992 দগী 2011 ফাওবদা চহী খুদিংগী খলহনবা ঙমদুনা লাক্লিবা মণিপুরদা অমত্তা ঙাইরবা Coaching Centre সিগী অহানবা Batch Admission হৌজরে। অহানবা লাকপদা খুদোংচাবা পীজগনি।

Coaching Centres :

1. Manipur Rastra Bhasha Prachar Samiti
Paona Bazar, Near Usha Hall: MORNING
(Time, 6.00 a.m. to 8.00 a.m.)

☎ **9077167138**

2. North Imphal English School, Chingmeirong,
Khongnang Ani Karak : MORNING
(Time : 6.00 a.m. to 8.00 a.m.)

HL-P/5648/7-9Nov.

3rd SCHOLARSHIP & MOCK TEST OF X & XII

[illegible] Organised by

HUMAN RESOURCE CENTRE & RESEARCH INSTITUTE

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,Opposit Koirengei Auto Parking

SCHOLARSHIP + CASH PRIZE + MOMENTO + CERTIFICATE OF EXCELLENCE

SCHOLARSHIP
1st position : Rs.1000 x 12 Months
2nd Position : Rs.700 x 12 Months
3rd Position : Rs. 500 x 12 Months

CASH PRIZE
1st position : Rs.30,000
2nd Position : Rs 20,000
3rd Position : Rs. 15,000

SPECIAL CASH PRIZES
4th to 10th position Holders
10th to 25th position Holders

Sponsored by Advanced Coaching Institute

Form Available : Global book store, Brigthway Agency,Sucheta book house, Leo Agency K.K. book store, Premier book store, Writer book store-Pologround Maning, Manipur stationery Mart-Paona Bazar, Lairik makon-konung mamang, Career corner-Khuyathong, Fame book house-Paona bazar, Siroy Papermark-Kwakeithel, Sana Mart (Maosilen), Siroy Paper Mart,Kangla book store,Chingtam book House,C.I.-Stationery, Sindam book store-Singjamei bazar, I.R. Educational book store-M.U. main gate,Global stationery, Universal book store,Pupil's book store-Lilong Bazar, Tour and saraswati book store-Thoubal wangmataba,Oja bijoy and Shilla book store-Thoubal bazar,M.S. Photo & Video-Athokpam bazar, Global book, K.B. Stationery-Wangjing bazar, Athoiba books-Heirok, Khongjom stationery (Tejkumar), Paperie,Lila, P.P. stationery kakching, Global Enterprises-Wabagai, Romila Book store-Mayang Imphal, New Book store-Wangoi, C.I.Book store-Nambol,Nandini Book store-Bishnupur, Bina book store-Ningthoukhong, Romee Book store-Moirang lamkhai, Ibeyaima book gallery-Moirang, Sharma book store and Global book store-Yairipok bazar.

For details : contact 7005755288. Form will be available freely from the office of HRC&RI or ACI Nagamapal.

HL-P/2321/25/10-22/12(Alt.)